HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


রাম কৃষ্ণ মিসন ইম্ফালনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মুইরৈ, লয়ারম, ৰুংহোন অমসুং ময়োফুং ভিলেজগী শোখ্রবা ইমুং ২০৩দা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা



লামায় ৬

অমুকোনা রিলিফ সেন্টর ফোর ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন অমদি রিলিফ কম্মিটি হৈরোক্না খূৎশম্নদুনা ক্বাথা খুনৌ, খুঞ্জাওদা লৈবা দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংদা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকখিবা



লামায় ৩

কোংপাল চনম লৈকাইদগী য়ুম্নাম নোরেননা ক্ষেত্রিগাও এ সী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা কৎখিবা শেনফম এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎতা খূৎশিন্নখিবা



লামায় ৬

দিঙ্কু রোদকী অৱাং থংবা নাকলদা লোনা য়াদবা মওংদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্নবগীদমক খাজিল্লম্বশিং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি ঘনশ্যামনা লুচিংবা পুলিস টিমনা শীদোকখিবা



লামায় ৬


Vol. 44, Issue No.048 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Wednesday, May 13, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL Poll

Q: Lakkadouriba numit kharanigi manungda shelthumgi fibam fagathannaba thabak paikhatlagani hairibasi oithokkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ___ No ___

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Mapanda panduna leiribasing pushillaknabagi matangda leingakna loukhatliba thourang penningai oi haina loubra?

Yes 60% No 40%


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা


## অস! লোইরেহে!

- সার, ঐগী লায়না অসিবু করি ওইরবজাৎনো?



- হান্না তোয়না তৌরম্বা হৈনবী অমা তোকখিবগী মমি চাউনা তায়, অহল!

# প্রাইম মিনিষ্টরনা লোকদাউনগী মতম শাংদোক্লগনি লাউথোকখ্রে

### লুপা ক্রোর লাখ ২০গী ইকনমিক পেকেজ লাউথোকখিবগা লোয়ননা মরিশুবা তাঙ্কক্কী লোকদাউনদা অনৌবা কাঙলোন কয়া চৎনহনগদৌরি



ন্যু দিল্লি, মে ১২ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাংখিবদা লোকদাউনগী মতম শাংদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নুমিদাং পুং ৮ তাবদা টিলিভিজনগী খুত্থাংদা ৱা ঙাংখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মে ১৮দগী লোকদাউন ৪.০ চৎনবা হৌরগনি। মরীশুবা তাঙ্ককী লোকদাউনদা অনৌবা কাংলোন কয়া চৎনরগনি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংনা পীরকপা রিপোর্ট নৈনরবা মতুংদা লোকদাউন ৪.০গী কাংলোনশিং মে ১৮গী মমাঙদা লাউথোক্লগনি।

মতম খরদি কোরোনাভাইরসকী চৈথেংগা লোয়ননা হিংবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে।

ষ্টেট পুন্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি লুপা ক্রোর লাখ ২০গী


...মখা লামায় ৩ কলম ২


# চেন্নাইদগী ট্রেনদা লাকখিবশিং ঙসি জিরিবামদা থুংলরগনি, স্ক্রিনিং নীংথিনা তৌনবা শেম শাখ্রে

### মপান্দগী হল্লকপশিং হোম ক্বারন্টিন তৌবা য়াররোই, গাড়ীশিং তাঙ্কক নাইনা চঙহনগদৌরি, হোটেল মঙা পেদ ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্না মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বশিং হল্লকহন্ননবা লৌখৎলকখিবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মে ১০দগী স্পেসল ট্রেনদা তোংদুনা চেন্নাইদগী লাকখিবা মণিপুরী ১১৫০ রোম হয়েং জিরিবামদা থুংলরগনি। মীওইশিং অসিনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা হেক থুংলবগা স্ক্রিনিং নীংথিনা তৌননবা ওফিসলশিংনা শেম শাখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইবা কাউন্টর খায়দোক্তুনা স্ক্রিনিং চথুরবা তুংদা মীওইশিং অদু বসতা পুরক্কনি। মীওইশিং অসি বসতা পুরকপা মতমদা ট্রাফিক জাম থোকহন্দনবগীদমক জিরিবামগী মার্কেটশিং হয়েং অয়ুক পুং ১০দগী মে ১৪গী অয়ুক পুং ১১ তাবা ফাওবা থোঙ লোন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা ইসেন্সিএল সর্ভিস অমদি পাস পায়বা নৎতনা অতোপ্পশিংনা গাড়ী থৌদুনা চৎপদা অথিংবা থল্লে হায়না জিরিবামগী দি সীনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

অমরোমদা, তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবদগী হল্লক্লবশিং হোম ক্বারন্টিন তৌবা য়ারোই হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) ভি ভুমলুনমাংনা থোকখিবা ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রোসিজর অমগী মতুং ইন্না মপান্দা পন্দুনা লৈরুবা মীওই পুন্নমক কম্যুনিতি ক্বারন্টিন নত্রগা ইন্সটিট্যু-স্নেল ক্বারন্টিন তৌগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, মাও গেট অমদি জিরিবাম গেট ফাওরগা চংলক্কদবা পন্দুনা লৈরুবা মীওইশিং পুশিল্লকপা গাড়ীশিং মতম অমুক্তদা পুন্না চংহল্লোইদৌরি। হিরম অসিগী মতাংদা স্পেসল সেক্রেটরী (হোম) ঐচ গ্যান প্রকাসনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়, মাও গেটতা চংলকপা গাড়ীশিং নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৬তগী হৌরগা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা


...মখা লামায় ৩ কলম ৫


# ‘পন্দুনা লৈরম্বশিং পুশিল্লক্কদৌরিবসি য়েংলগা স্ক্রিনিং সেন্টর ১৫ হাংদোক্লে’

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): মপান ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরগী মীওইশিং ষ্টেট অসিদা পুশিল্লক্কদৌরিবশিং অসিগী য়েংলগা দিষ্ট্রিক্টশিংদা সেন্ট্রেলাইজ স্ক্রিনিং সেন্টর ১৫ হাংদোক্লে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়টতা লৈবা হেল্থ মিনিষ্টরগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিগী মীওই কয়া মপান লমদা পন্দুনা লৈনরি। মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজনা হন্দক্তা সার্ক্যুলর অমা থোক্তুনা ষ্ট্রান্দেদ স্পেসল ট্রেননা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং, টুরিষ্টশিং, মহৈরোয়শিং, লাই খুরুম্বা চৎপশিং থিগনি হায়না খঙহনখ্রে। মণিপুরগী মীওই কয়া মপান ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা অসি পুরকপা হৌরকখ্রে। মপান্দা পন্দুনা লৈরিবশিংনা মণিপুরদা থোরক্কে হায়রবদি মহাক্না লৈরিবা ষ্টেট অদুদসু রেজিষ্টর তৌগদবনি। মণিপুরদসু রেজিষ্টর তৌগদবনি। থোরক্কে হায়বগী রেজিষ্টর ষ্টেট


...মখা লামায় ৩ কলম ৪


# বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা এম এল এ ৪ খূদক্তা দিসক্বালিফাই তৌহনবীনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২(ঐচ এন এস): হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসিদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকখ্রগা লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা এম এল এ তরেৎপু টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়বগী পিটিসন ১৫ স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা ফাইল তৌনরকপগী মথক্তা এম এল এ তরেৎ অসিগী মনুংদগী মরিগী মথক্তদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা পিটিসন মরি ফাইল তৌদুনা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা মখোয়বু খূদক্তা দিসক্বালিফাই তৌনবা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়না ৱাকৎখ্রে।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌগদবনি হায়বগা মরী লৈনবা পিটিসনশিং অসি ঙসি ওপোজিসন কোংগ্রেসকী এম এল এ মরিনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নরশিং অদুনা দি দি থাইসি, কৈশাম মেঘচন্দ্র, ওক্রম হেনরি অমসুং গোবিন্দাস কোন্থৌজমনি।

পিটিস্নরশিং অসিনা মথংশিংনা বি জে পিদা চোংশিনখ্রবা এম এল এ তরেৎকী মনুংদগী য়েংখোম সুরচন্দ্র, ঙমথং হাওকিপ, ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন অমসুং পাওনম ব্রোজেনগী মথক্তা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসনশিং অসিদা পিটিস্নরশিংনা কোর্টতা হায়জরক্লিবনা রেস্পোন্দেন্ট-শিংগী মনুংদা য়াওরিবা এম এল এ মরি অসি খূদক্তা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌননবা স্পিকরদা দিরেক্সন পীবীয়ু নৎত্রগা


...মখা লামায় ৩ কলম ২


# শিল্লোংদগী হল্লকখিবা কয়া ক্বারন্টিনদা থম্নবা ইমুং মনুংনা পুদুনা চৎনখ্রে

### ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরম্বা মীওইনা দোক্টর অমদা তাথি তাওইনা তৌরম্বগী ৱাফমসু থোরক্লে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): মালেম পূম্বগী মীয়াম্না মিপাইনরিবা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংননবা লৈঙাক্না লাউথোকখিবা গাইদলাইনশিংগী ওন্ন-তৈনবা মওংদা ঙসি শিল্লোংদগী লাক্তুনা ইম্ফালদা থুংলখিবা মীওই কয়া কম্যুনিটি ক্বারন্টিনদা থম্ননবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা পুরগা চৎনখ্রে।

শিল্লোংদগী থোক্লকখিবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা য়াওরকখিবা ককচীংদগী মহৈরোয় অমনা পাউচে অসিদা হায়খি, ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদগী তোঙান-তোঙানবা বস তরেৎলোমদা শিল্লোংদগী মীওই ১৩০ মুক লাকখিবনি। মাও গেট য়ৌরকপগা বসশিং অসিদা তোংলকখিবা মীওইশিং অসি স্ক্রিনিং


...মখা লামায় ৩ কলম ৭





HL-B/1679/13